## রেভিন্যু হেনগৎহনগনি হায়রিবা ৱাফম মরম চাদে : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): গঞ্জা লিগেলাইজেসন তৌবনা ষ্টেটকী রেভিন্যু হেনগৎহনগনি হায়রিবা ৱাফম মরম চাদে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) গী সেক্রেটরি জেনরেল মোইরাংথেম সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমদম অসিদা গঞ্জা লিগেলাইজেসন তৌদুনা মেদিসিনল অমদি ইন্দষ্ট্রিএল পপর্সতা শীজিন্নগনি হায়বা ৱাফম অসি মরম চাদে। লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎননবগী ৱাফম ওইরবদি গঞ্জাদগী হেন্না মেদিসিনল ভেল্যু ৱাংনা য়াওবা হিদাক কান্নরবা মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা তাঙনা ফংবা লমদম অসিদা মরাং কায়না হৌবা পান্বী মখল কয়া লৈরিবসি প্লান্টেসন তৌদুনা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। লমদম অসিগী থবক ফংদনা লৈরিবা পোটেন্সিএল লৈরবা ঐখোয়গী নহারোলশিংদা থবক পীবা ঙমগনি।

লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌদুনা গঞ্জা থাহনগনি হায়বা ৱাফম অসি থাজনিংঙাই ওইদ্রবা ৱাফমনি। লাইসেন্স পীদুনা য়োল্লিবা লাইফ সেভিং দ্রগস ময়াম অমা লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা মরাং কায়না ফংদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা ঙসি লমদম অসিদা পাক শন্না শীজিন্নরক্লিবা অসিফাওবা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রগা মতৌ করম্না গঞ্জা থারগা কন্ট্রোল তৌগনি হায়রিবনো। ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা গঞ্জা নত্তবা অতোপ্পা হিদাক কান্নরবা পোৎলমশিং থাননবা হোৎনবীয়ু। লমদম অসিদা মথৌ তৌদনা লৈরিবা দামশিং মথৌ তৌহন্দুনা ঈথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেমগৎতুনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈরিবা লৌবুকশিং চহী চুপ্পা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মদুনা হকচাংদসু শোক্তবা, ফৌথোক চাথোক হেনগৎহন্দুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা লৈঙাক্তসু কোক চিক্তবা তুং কোয়না চৎনবা য়াবা থৌরাং ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পোষন মাহগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): আই সী দি এস প্রোজেক্টকী মখাদা লৈবা অঙ্গনৱাদি ৱর্কর্রশিং, হেল্পরশিং, মৈরা পায়বী অমদি লেদি সুপরভাইজর য়াওনা ক্বাকৈথেল সেক্টরগী পোষন মাহ থৌরম ক্বাকৈথেল বজারদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

## লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): রাজা রাওনা ইংলিসতা ইবা কন্থপুরাবু হৈক্রুজম শ্যামসুন্দরনা মণিপুরীদা হন্দোকপা কন্থপুরা লাইরিক চহী অসিগী ওক্টোবর ১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ফোঙলগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর নাওরেম খগেন্দ্রনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইগনি। মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী হান্নগী হেদ প্রোফেসর কে ঐচ কুঞ্জোনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংগনি।

## মতম খরা সস্পেন্দ তৌরে : অমক্টা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): কোলেজ ওজাশিংজী তরেৎশুবা য়ু জি সী পে ইমপ্লিমেন্টেসন অমসুং চার্টর ওফ দিমান্দগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কী টিমগা পাঙথোকপা মীটিংদা খন্নরবা মতুংদা পুরকখিবা অন্দরষ্টেনিদংগী মতুংইন্না ওক্টোবর ১ দগী মাস মোবিলাইজেসনগী খোঙজং চঙশিনগনি তৌরম্বদু মতম খরা সস্পেন্দ তৌরে হায়না ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (অমক্টা) গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. চিরোম রাজকেতননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীফম অদুদা এদ্যুকেসন কম্মিস্নার, দিরেক্টরনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা লৌউ শিংউগী মচাক-মথুম, মার্কেটিং তঙাইফদে : ডা. নরেন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবদা লৌউ-শিংউগী মচাক-মথুমশিং শেমগৎপা অমদি এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়না আই সী এ আর ফোর এন ঈ ঐচ আর মণিপুর সেন্টর, লম্ফেলগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. নরেন্দ্র প্রকাসনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি ক্রিষি বিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসি আই সী এ আর লম্ফেলগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং হায়বা হিরমদা নুমীৎ হুম্নী চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডা. নরেন্দ্র প্রকাসনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা এগ্রিকলচর মার্কেটিংগী থৌরাং নীংথিনা পায়খৎলবদি লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবদা মতেং ওইগনি। কোল্ড ষ্টোরেজশিং শেমগৎপা অমদি লৌমীশিংগী পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং মতম চানা মার্কেটতা য়ৌবা ঙমহন্নবা থৌরাংশিং চঙই। হিরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং তঙাইফদে। মতমগা চুনবা লৌউ-পথাপশিং শীজিন্নদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেমনা হায়খি, লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউগী পোত্থোক পুথোকপা মতমদা প্লান্নিং তৌবা য়াম্না তঙাইফদে। মতম মতমগী ওইনা মার্কেটতা তাঙনা ফংবা মনা-মশিং মখল কয়া ঙন্না পুথোক্তুনা মমল তাঙনা য়োল্লবদি লৌমীশিংদা য়াম্না কান্নগনি। উ মোরোক অসি থা খরগী মমাঙদা মার্কেটতা মমল তাঙনা ফংই। অসিগুম্বা মমল তাঙলিঙৈ তাঙক্তা পোত্থোক য়াম্না পুথোক্তুনা য়োনবা ঙম্লবদি লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবা ঙমগনি। লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎপা মতমদা মতমগা চুনবা মওং কয়া শীজিন্নবা তাই। আলুনচিংবা পোত্থোক পুথোকপা মতমদা গ্রেদিং শেম্লগা য়োল্লবদি হেন্না কান্নবা ওই।

লৌমীশিং পুনশিল্লগা লৌউ-শিংউগী থবক তৌবগী কান্নবা য়াম্না লৈ। লৌমীশিং পুন্দুনা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি শেম্লগা একাউন্টনচিংবা নীংথিনা থম্বগা লোয়ননা লৌউ-শিংউগী পোত্থোক চাং নাইনা পুথোক্লবদি গ্রান্টনচিংবা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা য়াম্না লৈ। লৌমী ময়াম পুন্না থবক পায়খৎলে হায়রগসু লৌমী খরনা মহৈ-মরোং মখল অমা থাবা অমদি অতোপ্পা লৌমী খরনা তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোং মখল কয়া থাবা তাই। মসিনা মার্কেট তৌবদসু নুংঙাইগনি। লমদমসিদা চুনবা মখল কয়াগী মনা-মশিং লৈ। মনা-মশিংশিং অসি নীংথিনা থাদুনা পোত্থোক হেনগৎহনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং জয়পুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. এস আর সিংহ, আই সী এ আর ফোর এন ঈ ঐচ আর মণিপুর সেন্টর লম্ফেলগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. আই মেঘচন্দ্র অমদি কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী হেদ সিনিয়র সাইন্টিষ্ট কে ঐচ হেরানা মথংশিংনা স্পেসল গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল মার্কেটিংগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লৌমী কয়ানা শরুক য়ারি। নুমীৎ হুম্নী চথুগদবা ট্রেনিং অসিদা টেক্নিকেল সেসনদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## নুমীৎ মঙানি চথুগদবা পিছ এন্দ হোলিদে কেম্প চিংখম কবুই খুল উশোইপোকপীদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): নুমীৎ মঙানি চথুগদবা পিছ এন্দ হোলিদে কেম্প, খুরাই নুংশেং শিন্থা শিনলুপ অমসুং চিংখম কবুই খুল উশোইপোকপী লিলোং অনীনা খুৎশম্নদুনা খুল অসিদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা খ্বাই নুংশেং শিন্থা শিনলুপ লুপকী প্রসিদেন্ট তেনসুবম লৈশেম্বা মৈতৈ, মৈতৈ লীপুনগী ফমেন মাইবম দোরেন, সোসল এক্টিভিষ্ট গাইদোন কামৈ, সোসল এক্টিভিষ্ট নিংথোম্বম ইবোহল, কে এ এস এম এলগী এদভাইজর অকোইজম ইবোমচা মৈতৈ অমসুং চিংখম কবুই খুলগী খুনপু মৈথুলুং গোলমৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

মৈথুলুং গোলমৈনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, খুলসি ইপা-ইপুগী মতমদগী য়াম্না নুংঙাইবা খুল ওইনা লৈরক্লি। গোলমৈ হায়বা য়ুম্নাকসি খুমন সলাইনি। অদুবু হৌজিক খুলগী ওইনা লৈরকপদা চাউখৎলকপগী হায়গদ্রা মীওইশিংসি নুংশিনদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা খুল অসিদা ৱাথোক লান্থোক কয়াসু লৈরক্লবা মতম হায়বদু ওইরে। মসি লাইবক থীবনি। মীওইবা হায়বসি লাইনিং তীন্নদ্রবসু ফুরুপ মান্নদ্রবসু য়েলহৌমী ঙাক্তনি। নুংশি-চান্নবা হায়বসি মরুওই। নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা, ঈং-তপ্পা পুরক্লবা পাঙথোকপা কেম্পনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

তেনসুবম লৈশেম্বনা হায়খি, ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইদা নুংশিনবগী মমি শাম্লক্লবা মতম অমনি। লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন্দা অমুক হন্না লমন তোনশিল্লোইদবা মওংদা লাঞ্জং হায়বা তারে খ্বাই নুংশেং শিন্থালূপনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মুক্লবগী, চরক চহিংনবা খুন্নাই অমদি লমগী মুক্লবগী কয়া ঙসি খুন্নাইসিদা লাক্লি। মসিনা নুংশিনদবগী অমদি মচেৎ মচেৎ তারক্লবগী ৱাখল্লোন অমদা লৈরক্লে।

মণিপুরগী মফম খুদিংদা লৈরিবা অশেংবা থৱায়শিংগা পুনশিন্ননবা হোৎনজবনি। মরমদি ইন্দিয়ানা মনিং তম্বা চহী ৭০ শুরবসু মণিপুরী খুন্নাইদদি শোত্থরি। চাউখৎপগী লম্বীদদি মমি শামজিল্লক্লি। মণিপুরদা লৈরিবা চীংবুরোই তম্বুরোইশিংগী শোত্থরিবা অমদি চাউখৎপদা থিন্থরিবা কয়াসিগী য়েংলুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নরগা ঈং-তপ্পা লমদম অমদি খুন্নাইগী নুংশিনবা পুরক্লবা হোৎনজবনি।

হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক্লোয়শিংনা মীয়ামগী য়েংদনা তৌনিংবদা তৌরি। মীয়ামগী উদনা মখোয়গী ফম কোনবদা মায় ওনশিন্দুনা লৈরিবসি মতম শাংমল্লে। হৌজিক চীংসু, তমসু অরাপ্পদা লৈরিবশিংনা মমিৎতগী মপি তাদুনা খাংলিবা কয়াসি খঙমিন্নবা চঙই। লৈঙাক্লোয়শিং অমদি সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়ানসু চঙশিন্দুনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): য়াইবী-লেন্নফম (য়াইবীলেন) কৈবী সনাপাৎ লিংখৎখিবগী ৩৬ রকশুবা চহীগী থৌরম ওক্টোবর ৮গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা লুপসিগী লৈফমদা পাঙথোক্লগনি হায়না য়াইবীলেনগী থৌবুরেল য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, য়াইবীলেনগী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাংবা, য়াইবীলেনগী ঙমথং লুচিংবা থাংজম অঙৌবী খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদ, কম্মিস্নার হরেকৃষ্ণ, রিটায়ার্দ চীফ এঞ্জিনিয়র থাংজম জয়কুমার, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. নিঙোম্বম জিতেন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, স্পেসল গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি গেষ্ট ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## ইমা পান্থোইবী ইরাৎপগী মিংদা কনাগুম্বা অমত্তনা পংতৌ তৌশিনবীগনু : উকল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): লাইরেম্বীশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা ইমা পান্থোইবী ইরাৎপকী মিংদা কনাগুম্বা অমত্তনা পংতৌ তৌশিনবীদনবা পুম্নমক্কী মফমদা হায়জরি হায়না উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) গী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মেরা থাদা ইমা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপগী মহুৎতা লাই হরাওবদৌনা হেক্তা হরাওশিনবা, পান্থোইবী ইরাৎপকী মিংদা চাকচা হৈজান্নবা, ঙাওশিন ফৈজিন্নবা, কেসেটকী ঈশৈ থাদুনা জগোয় শাবা, মীতোপকী ফি শেৎতুনা চিত্রহার চিত্রমালানচিংবা তৌশিনবগী থৌওং অমত্তা তৌবীদনবা মরী লৈনবা পুম্নমক্কী মফমদা উকলনা হায়জরি। লাইনিংদা নমথবীখিবা ঐখোয় পুম্নমক ইমা পান্থোইবী ইরাৎকদবনি। ইশাগী লাইনিং হঞ্জিন ঈহৌসিদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াগদবনি। হৌরক্লিবা মীরোল-মীরোল পুম্নমক্তা লাইরেম্বী পান্থোইবীগী মতিক ময়াই অমদি ফুরুপসিনা ইমা মাবু কয়াম মরু ওইবগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈন্নবদা ঙাওশিন-ফৈজিন্নবা হৈনবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা তন্নবা মওংদা ইরাৎ থৌনি থৌরম পংতৌ তৌশিন্নদুনা পাঙথোক্লবদি ঐখোয়গী লাইবক থিবা তাঙ্কক অদু মাঙদা থুংলরগনি হায়রি।

মরম কয়ামুক্তগা য়েংলগা অফবা মায়ওনদা লেপ্তুনা ইমা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপীয়ু। মীরমদগী পুশিল্লকপা সেম, কমলা, কেন্দল অমদি অতৈ-অতৈ পোৎলমশিংদা কা হেনবা চাদিং তৌদুনা ঐখোয়গী শোত্থরবা শেন্মীৎলোন হেন্না শোকচিনহল্লোইদবনি। কা হেন্না নিল-খোংদুনা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়ানবা হোৎনরিবা হৌরক্লিবা নহাশিংগী মফমদা চরাংনবা থোকহনবীরোইদবনি।

অমরোমদা, লাইথৌ পাংবীরিবা ঐখোয়গী পাথাং পুথাং পুদুনা চৎলিবা মাইবা, পেনা, অমাইবীশিংনসু মেরা থাদা ইমা পান্থোইবী ইরাৎপকী নুংগী ওইবা ৱাঙুলোল মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীদুনা ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপগী কান্নবা পীবীবগা লোয়ননা লাইনিং হঞ্জিন ঈহৌ অসিগী অঙন্বা থৌদাং লৌবীয়ু। ইমা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি থৌরম অসিগী ওন্ন-তৈনবদা অমাইবা, পেনা, অমাইবী অমত্তনা লাই হরাওবা পুশিন্দুনা হরাওশিনবীগনু। মেরা থাদদি ইমা পান্থোইবী হরাওগদবা নত্তে, ইরাৎকদবনি হায়বসি ঙাক্না চৎপীয়ু। অমাইবগী মথৌ অমাইবী, পেনানা হেক্তা তৌশিনবগী অরানবা থৌওং খুদক্তগী তোকপীয়ু। মণিপুরগী মপানদা লাইথৌ পাংবা চৎপীরিবা অমাইবা, পেনা, অমাইবীশিংনা তৌরোইদবা, চৎলোইদবা অমদি চারোইদবা অমত্তা তৌবীগনু। খ্বাইদগী মরুওইনা লাই তোংলিবী অমাইবীশিংনা মীয়ামদা খুরুম্বা তোকপীয়ু। অমাইবীদা মীয়াম্না খুরুম্লক্লবা হোৎনবীয়ু। কাঙলোন লিক্লম চুম্না ইমা পান্থোইবীগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপীয়ু।

লমদম অসিগী ওইনা চহী অমদা লৈরিবা লাইথৌ তিন্থৌ হরাও-কুম্মৈশিং অসি য়েংলগদি ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী কাঙলোন অসি হায়বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরিবনি। শেন্থোক লম্বী ৱাৎলবা অদুগা চাদিং তৌবদদি খন্থদবা চাগা-চাদিংগী, শেনবা থুম্বাগী কাঙলোন লৈতবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লম, লল্লোন-ইতিক, লম্বী-থোংনচিংবা পুম্নমক মীতোপকী খুৎতা নোংম-নোংমগী তাশিল্লক্লি। অসিদসু নত্তনা ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম্না মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা কিনরক্লি। মসিনা মীশিং য়াম্বগী তঙাইফদবা লৈবা লৈঙাক কাঙলোন্দা ইরমদমসিদা ঐখোয় মীশিং য়ামদবা ফুরুপ ওইরক্লবনি। মরমসিনা হরাউ-কুম্মৈদা চাদিং তৌবা হন্থনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱ্রাইল প্রেস মেছিন অমা ব্লাইন্দ স্কুলদা থম্বীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ৱ্রাইল প্রেস মেছিন অমা গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুলদা থম্বীয়ু হায়না স্কুল অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এল এস নৈসুথাংনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

তাকয়েলদা লৈবা গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুলদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ব্লাইন্দ স্কুল অসিদা নর্সরিদগী ক্লাস টেন ফাওবা তম্লকপা অসি অসুক্কী অৱাবা ওই। ব্লাইন্দ ষ্টুদেন্টশিংনা তম্বা লাইরিক নম্নবা ৱ্রাইল প্রেস মেছিন কুমজা ২০১১ দগী হেক পুরকপা মতমদগী য়াদনা লৈরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা মেমোরেন্দম পীশিনখি। রেস্পোন্স অমত্তা ফংদে। মহৈরোয়শিংনা ষ্ট্রাইক চঙশিনখি। মদুদা সোসল ৱেলফেয়রগী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা চৈরম্মী। ঐখোয়গী লাইরিক ফংহনবীয়ু। ৱ্রাইল প্রেস মেছিন অমা স্কুল অসিদা থম্বীয়ু। থম্বীদবা তারবদি মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয় লূপশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

লাইরিক তম্লক্লিবা অসি লাইরিক শুকয়াও য়াওদনা তম্লক্লবনি। মেছিন অসি চলাইনবা ষ্টাফ কুমজা ২০১৬ তা ৯ হাপখি। অদুবু মেছিন অসি হেক পুরকপদগী য়াদ্রি হায়বা য়াই। চহী অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা লাইরিক ফংহনগনি হায়না সাইন তৌনখি। অদুবু লাইরিক্তি ফংদ্রে। মেছিন থল্লিবা কা অদু মহৈরোয়শিংনা ছো লোনশিল্লে। সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা চৎলগা অনৌবা মেছিন ফংনবা তৌসি হায়খি। খোঙজং হন্দোকউ হায়রকখি। অনৌবা মেছিন পুরক্লগা স্কুল অসিদা থম্বীয়ু হায়বনি। মতম মতমগী জেনরেল নোলেজনচিংবা লাইরিকশিংসু নম্বীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## প্লাষ্টিক ৱেষ্টকা মরী লৈননা সিপেটকী ওজাশিং, মহৈরোয়শিংনা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): প্লাষ্টিক ৱেষ্ট স্রমাদন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ইনষ্টিট্যুট ওফ প্লাষ্টিক এঞ্জিনিয়রিং এন্দ টেক্নোলোজি (সিপেট) না শীন্দুনা ঙসি ইনষ্টিট্যুট অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

রেল্লি অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ দি সী নিংথৌজম গোজেন্দ্রনা লমথারকখি। রেল্লি অসিগী মতাংদা সিপেটকী দিরেক্টর ইবোতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, লাইরিক-লাইশু হৈরবশিংনা প্লাষ্টিক মনুংদা ফত্ত-হাওদি হাপচিল্লগা লম্বীদা, তুরেলদা লংথোকপসি ফত্তবা অমনি। ঙানা চাশিল্লগা ঙা শিবা য়াওরি। প্লাষ্টিক মফম চানা থল্লগা লোইশিন্দ্রবদি ফত্তে। প্লাষ্টিক্কী মহুৎতা অতোপ্পা পোৎলম কয়া শিনবা মতমদা পোৎ অদুগী মমল হেনগৎলক্কনি। প্লাষ্টিক খোমগৎলগা লমদিংদা লৈরিবা রিসাইক্লিং প্লান্টদা পীবা য়াই। লম্বীদা মফম চাদনা প্লাষ্টিক লংথোক্ত্রবদি পোল্যুসন লৈরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা সে য়েস টু প্লাষ্টিক নো টু লিটরিং, বি ক্লিন, বি হেলঠি হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি। রেল্লি অদু সিপেটতগী নাওরেমথোং ফাওরগা ৱাহেংবম লৈকায় ফাওবা চৎলবা মতুং সিপেটতা লমথুংখি।

## হৈরোক পার্ট টু অপ্পর প্রাইমারীদা ইক্লিপস মন্থ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকায় অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা থা অসিগী ২৩ দা ইক্লিপস মন্থ হৌদোকখ্রে হায়না ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ রামেশ মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইক্লিপস মন্থ অসি ওক্টোবর ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীয়ামগী মরুওইবা মফমশিং বজার, হোস্পিটাল, স্কুল, কোলেজদা সোসল সর্ভিস কেম্প তৌবা, এৱ্যের্নেস কেম্প তৌবা, পেট্রিওটিক রেসিটেসন সোং, দিবেটিং কম্পিটিসন অমদি এদ্যুকেসন সেমিনারনচিংবা পাঙথোক্কনি। লন্নাই মীওইশিং কনাগুম্বশিংনা মরন্নাইগী ওইবা পোৎশিং, নুঙ, লৈঙোই, লৈপাকনচিংবা লম্বীগী নাকলদা পৈশিল্লগা থল্লিবশিং নুমীৎ মঙানি শুনা থম্বা য়ারোই। মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা অৱাবা ওইরে। সোসল সর্ভিস কেম্প তৌবা লাকপদা থেংনরবদি অমাঙ-অতা থোরকপা য়াই। লম্বীগী নাকলশিংদা ফুট ৩/৩ গী ৱাংমদা থম্বীয়ু।

লম্বীগী নাকলদা ইংখোলদগী উ-ৱাশিং হাইথদুনা অপনবা পীবা য়াওরে। মপু-মপুশিংনা লম্বীদা উ-ৱা হাইথরিবশিং য়ান্থৎপীয়ু। সোসল সর্ভিস লাকপদা থেংনরবদি ভলন্টিয়রশিংনা য়ান্থৎপদা শোয়খিবা, হেঞ্জিনখিবা য়াওরবদি ৱারৌবীগনু। স্কুল, কোলেজশিংদা হৌজিক চত্থরিবা লাইরিক খুৎতম্বী অসিসু খরা হেন্না ফগৎহন্নবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। লৈঙাক্কী কোলেজগী হোষ্টেলগী চৎন-কাঙলোনদা অশোয়বা কয়াসু লৈরে। কোলেজশিংদা এদমিসন তৌবদা কোলেজ অমগা অমগা এদমিসন ফি মান্নদবা কয়াসু লৈরে। কোলেজগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগী ইলেক্সনদা শেলগী লমজেল তান্নরিবা অসিসু মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিদা লাইবক থীবনি হায়না লৌই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## তরেৎশুবা য়ু জি সী পে ইমপ্লিমেন্ট তৌবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): কোলেজ ওজাশিংদা তরেৎশুবা য়ু জি সী পে ইমপ্লিমেন্ট তৌবীয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএদসন (ফেগোক্টা) না কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবা য়াইফ থৌনি শঙলেনদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফেগোক্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এম সোমোন্দ্রোনা হায়খি, কোলেজ ওজাশিংদা তরেৎশুবা য়ু জি সী পে চৎনহনবীয়ু হায়না দিমান্দ তৌবনি। মিজোরামদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কীসু তরেৎশুবা পে চৎনহন্নবা ওর্দর থোকখ্রে। করিগুম্বা ফেগোক্টানা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রবদি সেপ্টেম্বর ২৪ দগী এজিটেসন তৌগনি হায়না লাউথোকখি। নুমীৎ হুম্নী কেজুয়েল লিভ লৌখ্রবা মতুংদা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌবনি। সী এমনা ঙরাং মীদিয়াদা ফেগোক্টানা তাল্লিবা দিমান্দ ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়খিবা লৈ। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ওফিসতগী ইনভাইটেসন অমা ফংই। ফেগোক্টানা উনরগনি। দিমান্দ পীদ্রবদি এজিটেসন হোংদোকপা লৈরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কাংমোংগী লৌমীশিংগা ইরাবতকা হকথেংনহৌবা পুৱারী মুৎপা য়ারোই : সোটিনকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): কাংমোংগী লৌমীশিং ইরাবতকা হকথেংনহৌবা পুৱারী মুৎপা য়ারোই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থা অসিগী ২৪ দা কাংমোং লাঙ্গোলজম ফার্মিং হোলদা পাঙথোকখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৩ শুবা মপোক থাবুম থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৪ দা কাংমোংদা পাঙথোকখিবা হিজম ইরাবতকী থাবুম থৌরমদা ৱা ঙাংবদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমারনা মখা তারদুনা হায়খি, হিজম ইরাবত লায়রবা লৌমীশিংগীদমক মপুন্সি কত্থোকখিবা লুচিংবনি। কাংমোং, অৱাং জিরি, ফোইজিং অমদি খাবি খুঙ্গংগা নক্লবা মরী লৈনৈ। মতমদুগী লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনরম্বা অদুগী ফলনা ঙসিগী থাক অসি য়ৌরক্লিবনি। কাংমোংগী লৌমীশিংগা হিজম ইরাবতকা হকথেংনহৌবা পুৱারী অদু খুন্নাইসিনা লৈরিবমখৈ মুৎপা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদু মীয়াম্না ইরাবতকী তাংবো মোংফমদগী লৈবাক লৈরোল লৌদুনা লৈরোল চল্লিবা ইরাবত খুভমদা লৈ-শু কৎলবা অমসুং ৩০ গী ফোটোদা লৈ কৎলবা মতুংদা হৌদোকখি। ইরাবতনা লেংলম্বা হৌরো অৱাবা অহিংগী অমম্বা কোক্তুনা অমদি হাইগৎসি ৱাংনা ঙাঙলবা ফিরালসে হায়বা ঈশৈ শকখি। ৱাঙাংলোয় কয়ানা ইরাবতকী পুন্সি ৱারী কয়া লীখি। ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখিনা ইরাবত অমদি খুঙ্গংগী নুপী, ওক্রম ইবোতোম্বীনা নম্বোল মায়কৈদা ইরাবত অমদি আই সী সীগী সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা ইরাবতনা ঙসিগী মীরোলদা পীরম্বা থৌদাং হায়বসিগী মতাংদা নৈনখি হায়রি।

ইরাবতকী শক্তম য়েকপা চাংদম্নবগী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

## এম য়ুদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী দেথ এন্নিভর্সরি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এম এস এ) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা ৬৮ শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী দেথ এন্নিভর্সরি ঙসি এময়ুগী লাইব্রেরী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হিজম ইরাবতকী লাইফ এন্দ আইদিওলোজি হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট চোংথাম দিপুনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী লুচিংবা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা তাইবং থাদোকখিবা নুমীৎ সেপ্টেম্বর ২৬ না লাকপদা মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শীন্দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মীরোল মীরোল খুদিংদা লুচিংবা অসিগী পুন্সি, মহাক্কী কত্থোকপবু নীংশিংফম থোকই।

মতম অদুগী থাক ৱাংলবা নিংথৌ দরবার মেম্বরগী ফম থাদোক্তুনা বৃটিশ মতমদা অমসুং বৃটিশনা থাদোক্লম্লবা মতুংদা কত্থোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাং অমদি কুমজা ১৯৫৯ দা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক ম্যান্মারদা মীরোৎ ওইনা অরোইবা য়াহিপ তানখিবগী থৌদাংশিং তরাইনা কাউফম থোক্তে। শকউ শকউ জয়, অপূনবনা ওইনি জয়, লুচিংবা অসিনা পীরম্বা অপূনবগী ইথিল মতম চুপ্পদা লাইৱা ওইদুনা লৈহৌরগনি। কংলৈচাশিংনা খোঙ থাংফম খঙদনা ককঙাওনরক্লবা মতম অসিদা ঙসিগী লুচিংবশিংনসু ঐগী মাগী হায়বা মীৎয়েংদগী নান্থোক্তুনা লময়ানবগী ফিদম্বু ইরাৎচবা অমসুং মহাক্কী খোঙ্গুল লীবা তঙাইফদ্রে।

গ্লোবেলাইজেসন অমসুং কেপিটেলিজমনচিংবা তমথিরবা শক্লোনশিংনা মায়কৈ মরিদা লান্দাশিল্লক্লিবা অসিদগী খুন্নাই অসিবু কলহৌনবা অমসুং তুংগী মীরোলশিংগীদমক খল্লগা শেন্মীৎলোন্দা, লৈঙাক্লোনদা মীখা থাবা মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবা চীং-তম অপূনবা পাঙ্গল শাগৎলসি। পুকচেল শেংনা অমদি থৌনা ফনা অঙম্বা থৌদাং য়ামিন্নরসি হায়রি।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর চিংলেন মাইস্নামনা ইরাবত এজ এ লিদর দ্যুরিং বৃটিশ রুলগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। এম য়ু মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এন সনাতোম্বনা ইরাবত এজ এ মল্টিফেসেটেদ লিদর হায়বসিদা ৱা ঙাংখি। ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী রিছার্স স্কোলার এম শাওলিননা ইরাবত এন্দ মর্জর এগ্রিমেন্ট হায়বসিদা ৱা ঙাংখি। মুসুগী প্রসিদেন্ট কে লেবানননা ইম্পেক্ট ওফ ইরাবত আইদিওলোজি ওফ টুদেস য়ুথ এন্দ সোসাইটি হায়বসিদা ৱা ঙাংখি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5687/24/sept.-23/oct.

3RD STATE LEVEL TALENT SEARCH SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAMINATION - 2019 (CLASS I TO X)

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Examination Fee Rs. 380/-
Last Date of Submission: 16th October, 2019
Class I to V Sub : Math, English Gram., Science
Class VI to X Sub : Math, Eng. Gram., Science, S.Sc.
Date of Exam: 20th Oct. (Class I–V) & 27th Oct. (Class VI–X) 2019
Timing : 11:00 a.m. to 02:00 p.m.

Marks (Class I to V)

| Sub. | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 30 | 15 |
| Science | 30 | 15 |

Marks (Class VI to X)

| Sub. | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Prizes

- 1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
- 1st Position-1,000 x 12 months + Certificate
- 2nd Position-800 x 12 months + Certificate
- 3rd Position-600 x 12 months + Certificate
- 4th to 10th Position-Special Gift + Certificate
- Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate
- Award for the best school will be given to the total nos of 1st Position/2nd/3rd Position holder of the said school.
- Scholarship will be awarded only to the student who passed all the four subject of the competition those candidates who failed in any one of the 4 given subjects will not be qualified for the scholarship even if he/she be for subject toppers in any of the 4 subjects.

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Heemabala Book Store - Canchipur 3. Universal Book Store - Lilong Bazar 4. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 5. Mangol Stationery - Kakching Bazar 6. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 7. Boby Book Store - Mayang Imphal 8. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar 9. Bross Book Store - Wangoi Bazar 10. Sangai Book Store - Samurou Bazar 11. Prem Book Store - Oinam Bazar 12. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 13. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 14. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 15. Leima Book Store - Nambol Bazar 16. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 17. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 18. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 19. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 20. Compact Service - Khoyathong 21. Taurus Stationery RIMS Gate 22. Shila Book Store - Thoubal Bazar 23. Amar Book Store - Khangabok Bazar

HL-B/5658/14, 15,16,17 to 30

Please Contact: 9612194500